

নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ইস্যু কোংগ্রেসনা হৌদোক্লগা বি জে পিনা থোকহনবনি: এম পি পি

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস):

মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পুল্লুরবা মতুংদা চহী ২ মথক্কী পুৱারী লৈরক্কবা মণিপুরগী ঙমখৈ অমসুং অপূনবগী শক্তম থুগাইনবা হোৎনরক্লিবা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি লৈঙাক্কী খোঙথাংশিং অসি হন্দোক্কদবনি হায়না মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি) না ফোঙদোরক্লি।

এম পি পিগী ভাইস প্রেসিদেন্ট এস ইবোমচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, বি জে পি অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) অনীনা নাগা লালহৌবগী ৱাথোক লোইশিন্নবা তৌরিবা নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মনুংদা করি য়াওরিবগে হায়বদু মীয়ামদা খঙহনগদবনি। বি জে পি লৈঙাক্লা নাগাগী ইস্যু লোইশিন্নবা এন এস সী এন (আই-এম) গা ৱারী শানবগী ইন্টরলোক্যুটর ওইরিবা আর এন রবিনা মীয়াম্গুঈকায় খুন্নদে। হৌখিবা এপ্রিল ২৬ তা ইন্দিয়ান এক্সপ্রেসতা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকা মরী লৈননা পীখিবা ষ্টেটমেন্ট অদু এম পি পিনা য়ানিংদে হায়রি।

মণিপুরদা নাগা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল বি জে পি লৈঙাক্লা শেমহনখিবা হায়বসি মণিপুর কায়বা হৌরে হায়বসি লৈঙাক অসিনা খঙগদবনি। এম পি পিগী ওইনদি মণিপুরগী লমদা নাগা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল শেম্না য়ারোই অমসুং মণিপুরগী লম মচেৎ অমত্তা নাগালেন্দ ষ্টেটতা পীথোকপা য়ারোই হায়রি।

কুমজা ১৯৪৯ গী ওক্টোবর ১৫ দা মণিপুর ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরবা মতুং মণিপুরগী কবো তম্পাক্কী মাইল ৭০০০ ওইরিবা স্কৱার কিলোমিটর ১৯৪৪৪ অসি কুমজা ১৯৫৩ গী মার্চ ২৯ অমসুং ৩০ দা বর্মাগী প্রাইম মিনিষ্টর উনুগা জৱাহরলাল নেহরুগা ইম্ফালদা উনরগা বোর্দরগী ইস্যুদা ৱারী শানখিবা অদু মীয়ামদা লাউথোক্লমদনা চৎখি অমসুং কবো তম্পাক বর্মদা পীথোক্লমখি হায়রি।

কবো তম্পাক পীথোকখিবগী মণিপুরগী মীয়াম্না পেন্নদদুনা লৈরে। চৈরক অসিদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম অমসুং ঙমখৈ থুগায়নবা লম্বী শেম্লক্লিবসি কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। কুমজা ১৯৬৩ দা কোংগ্রেস লৈঙাক অমসুং নাগা ফেদরেল গভর্ণমেন্ট অনীনা নাগা সিজফায়র এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনদুনা নাগাগী ৱারোইশিন পুরক্লবা অসাম অমদি নাগা হিলস অমসুং টুয়েন্সাং দিষ্ট্রিক্টপু নাগাশিংগী মপুং ফাবা ষ্টেট অমা ওইনা লাউথোকখি হায়রি।

কুমজা ১৯৫৯ দা মকোকচুং নাগা পিপলস কনভেন্সননা লৌখিবা ৱারেপ নাগালেন্দগা তায়নবদা লৈবা নাগা তাবা লম পুন্নমক পুনশিনবা হায়বা অদু অমুক হন্না নাগালেন্দ ষ্টেট এসেমব্লীদা কুমজা ১৯৬৪ গী দিসেম্বর ১২ পুথোক্তুনা খন্নরবা মতুংদা ৱারেপ লৌরগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা অইবা ওইনা খঙহন্নবগী ৱারেপ লৌখি।

ৱারেপ অদুগী মতুংইন্না নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর সিলু আওনা মতম অদুগী কোংগ্রেসনা লুচিংবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা মণিপুরগী নাগা তাবা লমশিং সিজফায়র চৎনহন্নবগীদমক্তা অইবা চেরোল অমা পীশিনখি। নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অদুদা ইন্দিয়াদা লৈঙাক্লিবা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীদুনা মণিপুরগী লম ওইরিবা উখ্রুল সব দিভিজন, মাও সব দিভিজন অমসুং তমেংলোং সব দিভিজনশিংদা নাগা সিজফায়র চৎনহন্দুনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়নবা লম্বী অমা ঙসিদি ওইরে। মতম অদুদা মণিপুরদা লৈঙাক পায়রিবা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী য়াকা য়েংদুনা লৈখিবা নৎত্রা হায়না হংলক্লি।

কুমজা ১৯৭২ গী ওগষ্ট ৮ দা য়ুনাইটেদ নাগা ইন্টিগ্রেসন কাউন্সীল (আই এম সী) অমসুং এম পি সী সী অহুম্না য়ান্নচে খুৎয়েক পীনখি। য়ান্নচে অদুদা পল্লিবদি য়ু এন আই সীগী থবক থৌরমশিং অন লোফুল ওইদে অমসুং অন কনষ্টিট্যুসনেল ওইদে হায়বা য়ান্নচে অমনা য়ুম্ফম ওইরগা নাগা ইস্যু অসিনা ঙসিদি মণিপুর কায়নবা লম্বী অমা ওইরক্লি। কুমজা ১৯৬৫তা মণিপুর পিপলস কনভেন্সন কৌবা ফোরমনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা মণিপুরগী ঙমখৈদা লৈরিবা উখ্রুল, মাও, মরাম অমসুং তমেংলোং সব দিভিজনদা নাগা সিজফায়র এগ্রিমেন্ট চৎনবা য়ারোই হায়বনচিংবা ৱারেপ লৌখি।

মতুংদা এন এস সী এন (আই-এম) অমসুং এন এস সী এন (কে) হায়বা লূপ অনী থোক্লকখি। এন এস সী এন (আই-এম) গী লুচিংবা মুইভানা নাগা নেসনেলিজমগী ৱাখল্লোন মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা শাগৎলকখি। কুমজা ১৯৯৫ কী মার্চ ২৮ দা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীদা রিজোলুসন অমা পাস তৌদুনা মণিপুরদা লৈরিবা কাঙলুপ খুদিংমক্লা মাগী মাগী অপাম্বা হোমলেন্দ তানবা তোকপা অমসুং মণিপুর এসেমব্লীনা রিজোলুসন অমা কাঙলুপ খুদিংমক্কী মাগী মাগী অপাম্বদা লৌখিবা অদু ঙমখৈ লৈতনা হরাওবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ৱারেপকী মায়োক্তা এন এস সী এন (আই-এম) অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অনীগী নাগা সিজফায়রগী ৱাফম অদু প্রাইম মিনিষ্টর ঐচ দি দেবিগৌদানা ওইবা মতমদা অমুক হন্না হৌনবা ৱারেপ্লখি। কুমজা ১৯৯৭ গী জান্যুৱারি ১ দা আই কে গুজরালনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা পার্লিয়ামেন্টতা সিজফায়র অমুক হন্না চৎনদনবা লাউথোকখি। য়ান্নচে অদু গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) অনীনা লাউথোকখি।

হায়রিবা অসি নরসিংহ রাওনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা মতমদা নোর্থ ইষ্টতা লৈবা লালহৌবা খুদিংমক কন্দিসন থমদনা ৱারী শানবা চেবাও পীখি। সিজফায়র মখা চৎথরকপা ওইনা কুমজা ২০০২ গী মার্চ ১ দা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর এল কে অবানিগা পাউমীশিংগা উনবদা চহী ৩ শুরবা নাগা সিজফায়র এগ্রিমেন্টকী মনুংদা য়াওরিবা নাগা তাবা লমশিং পুনশিনবদা অসাম অমসুং মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা য়ারে হায়না লাউথোকখি হায়রি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী ৱাফম অদু মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা অরানবা ৱাফমনি হায়না মিদিয়াদা শেংদোকখি হায়রি। কুমজা ২০০১ গী জুন ১ দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী সিজফায়রদা য়াওরিবা ৱাফমশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়ামগী ঈহৌ লাকপদা মদুবু নমথনবা হোৎনবদা বি জে পি লৈঙাক্লা সী আর পি এফকী পার্সনেলশিং শীজিন্নদুনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ১৮ শিখি। অমসুং কয়া অমনা অশোক অপন নংখি।

ঙসিদি কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়দ্রবনিনা অচুম্বা খঙলক্লে। ৱাকৎ মীফম ফমদুনা নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মায়োক্তা খোল্লাও কয়া লাউরক্লে। বি জে পিগী লৈঙাক কায়দ্রগা লোইরে, ফম অমসুং গভর্ণমেন্ট কায়দ্রগা লোইরে হায়দুনা নাগা ফ্রেমৱার্কপু শৌগৎতুনা লৈরি। নাগা ইস্যুবু কোংগ্রেস অমদি বি জে পি লৈঙাক্লা পুথোক্তুনা মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মনুংদা করিগী হাৎন-শুননবা লম্বী শেম্লিবনো হায়না মরাল শিরক্লি।

বি জে পিনা ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুএন্সিগী আর্টিকল ৩ শীজিন্নদুনা মণিপুরগী ঙমখৈ অমসুং অপূনবগী শক্তম কায়হল্লকপা য়ারোই। মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী থৌদাং পুন্নমক বি জে পি লৈঙাক্লা পুগদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

তোঙান তোঙানবা লমশিংদা থোইদোক হেন্দোক্লবশিংবু পুক্লিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) :

খাঙবোক খুঙ্গং অপুনবগী ওইবা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা থোইদোক হেন্দোক্লা মাই পাক্লবা মীওইশিংবু হরাও তয়াম্না ওক্তুনা পুক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অমা ঙসি ওল খাঙবোক ইমপ্লোয়ীস এন্দ সিনিয়ার সিটিজন্স য়ুনিয়ন খাঙবোক্লা শীন্দুনা খাঙবোক ময়াই লৈকাই মল্টি পর্পজ কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম জদুমনিনা অথোইবা মীথুংলেন, ওল খাঙবোক ইমপ্লোয়ীস এন্দ সিনিয়ার সিটিজন্স য়ুনিয়ন খাঙবোককী প্রসিদেন্ট দা. কে ঐচ রাজমোহোন অমদি সিনিয়ার সিটিজন কয়ামরুন্না অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা হন্দক হায়দোকখিবা কোসেমগী ক্লাস টুয়েল্বকী ইগজামিনেসনদা সাইন্স ষ্ট্রীমদা মণিপুর পুম্বগী ওইনা অনীশুবা, মরিশুবা অমসুং ১৯ শুবা পোজিসন লৌখিবা মহৈরোই অহুম য়াওনা পুন্না মহৈরোই ৬, কম্মস ষ্ট্রীমদা মণিপুর পুম্বগী ওইনা অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন লৌখিবা মহৈরোই অনী, কোসেমগী ক্লাস টেন ইগজামিনেসনদা খাঙবোক খুলগী ওইনা খ্বাইদগী মার্ক ৱাংনা ফংদুনা মাই পাক্লকবা মহৈরোই ১৪, সি বি এস ইগী মহৈরোই অনী, য়ু পি এস সি গী এস এস সি ইগজামিনেসনদা সেলেক্সন ফংলক্লবী মহৈরোই নুপী অমা, সনা খোনাংবীদা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পাঙথোকখিবা ২১ শুবা সিনিয়ার ইষ্ট জোন নেসনেল খো-খো চেম্পিয়নশিপ, ২০১৮ দা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবা কোচ অমগা লোয়ননা শান্নরোই ৫, কর্নাটকাদা পাঙথোকখিবা ৮ শুবা সব-জুনিয়র নেসনেল লাংদি চেম্পিয়নশিপ, ২০১৮ দা ৱিন্নর ওইরকখিবা মণিপুর টীমদা শরুক য়ারুবা শান্নরোই ২, অসামদা পাঙথোকখিবা ২ শুবা এসিয়ন কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ দা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবদা গোল্ড মেদল লৌরকখিবী শান্নরোই নুপী অমা অমদি ওল মণিপুর লাইরিক হায়বা-থিবা কম্পিটিসন ২০১৮ দা গোল্ড মেদল লৌরকখিবা মীওই অমদা শেল, সাইটেসন অমদি লেংয়ান ফি তমদুনা ইকাই খুম্নবা উত্তুনা পুক্লিং থৌগৎখি হায়রি।

‘লৈঙাক্লা য়েলহৌমীশিং কন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি’

সিলচর, জুন ০৩, (এজেন্সী) :

কছারগী উধারবোন্দদা লৈবা মণিপুরী য়ুথস কম্মিটি (এম ৱাই সী) মণিপুরী য়ুথস ফ্রন্ট অসাম (এম ৱাই এফ এ) দা পুনশিনখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা সিলচরগী রোঙ্গপুরদা লৈবা এম ৱাই এফ এগী হেদ ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট সেরাম হেরাজিৎনা হায়খি, মদুদি, অসামদা খুন্দারিবা মণিপুরী ফুরুপকী রাইট মপুং ফানা ঙাক শেনবা ঙম্নবগীদমক এম ৱাই সীগী মেম্বরশিংনা লূপ অসি এম ৱাই এফ এদা পুনশিন্নবগী মতাংদা অমত্তা ওইনা য়ানবা পুরক্লে।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ফাঞ্জৌবম লোকেনাথনা হায়খি মদুদি, জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (জে সী আই এল পি এস) ষ্টুদেন্টস ৱিং য়াওনা মণিপুরগী সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমদি ক্লবশিংনা য়েলহৌমীশিং কন্নবগী মতাংদা চঙশিল্লিবা খোঙজংদা এম ৱাই এফ এনা মপুং ফানা শৌগৎলি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং ঙাক শেন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

য়েলহৌমীশিংগী মায়োক্তা লৈবা মরম্না সিটিজন্সিপ (এম্মেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৬ য়াবা ঙম্লোই হায়নসু পাউগী মীফম অদুদা এম ৱাই এফ এগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখি।

অসামদা খুন্দারিবা য়েলহৌমীশিংনা মশাগী রাইট ঙাক শেন্নবগী মতাংদা লৌখৎলকপা থৌরাং খুদিংমক্তা লূপ অসিনা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়রি।

এম ৱাই এফ এগী হেদ ওফিসতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা এক্সন এইদস ইন্দিয়া (এ এ আই) গী প্রোগ্রাম মেনেজর ওইরম্বা অশাংবম স্বাপন অমদি তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

এমসু জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা মীৎয়েং চঙলগনি

ইম্ফাল, জুন ০৩, (ঐচ এন এস) :

শেল লৌরগা মপান্দগী চঙলকপা মীতোপতা বার্থ/দেথ সার্টিফিকেট পীবগী মতাংদা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়না এমসু জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইরমদম কংলৈপাক (মণিপুর) অসিদা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা নোংম-নোংমগী ঈশিং ঈচাউগুম হেনগৎলক্লিবা অমদি কাঙলোন লান্না চঙলকপা মীতোপশিং থিংনবা জে সী আই এল পি এসকা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা সী এস ওশিং অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিঙৈ চৈরকসিদা জিরিবামদা লৈরিবা ডোক্তর অমদি ওফিসর খরনা মশা-মশাগী কান্নবা খরখক্কী য়েংদুনা শেল লৌরগা নন-লোকেলশিংদা বার্থ/দেথকী সার্টিফিকেট পীথোকই হায়বগী চিংনবা লৈরে। মতাং অসিদা ফেসবুক অমদি ৱাটচএপনচিংবা সোসল মিদিয়াদা জিরিদা ডোক্তরশিংনা শেল লৌরগা মীতোপতা বার্থ/দেথ সার্টিফিকেট পীবগী থৌওংনা মণিপুর মাঙনবগী মচাক অমা ওইরক্লি হায়বা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লি।

ৱাফম অসিনা অচুম্বা ওইরল্লগদি মণিপুর মীয়ামগী লাইবক থীবনি। জিরিবামদা ষ্টেট পুলিসনা মীতোপ মীয়ানচাশিং কাঙলোন লান্না চঙলকপা/লৈবাশিং থিংলিবা অরমদি খঙদোকপগী অকনবা চেকশিন থৌরাং ফনা কন্না লৌখৎলবসু নাকল অমরোমদা বার্থ/দেথ সার্টিফিকেট পীথোক্লিবা অসিনা মরম ওইরগা মীতোপশিং ইরমদমদা চঙলকপা অমদি লৈনবগী খুদোংচাবা পীবা ওইনা থোক্লি। হিরম অসিদা এমসু জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীনবা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিদা হায়জবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনসু অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়রি।

ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর পুলিস কন্সটেবল রি-রিক্রুটমেন্ট ২০১৬ (কে জয়ন্ত) বেটচ হিঙ্গৎহল্লু অমদি কুমজা ২০১৩ গী রিক্রুটমেন্টদা য়ুম্ফম ওইরগা মণিপুর পুলিস কন্সটেবল লৌবগী ফল লাউথোকপীগনু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ঙসি কৈশামপাৎতা লৈবা য়ুমজাও লাইরেম্বী কম্যুনিটি হোলদা জে এ সী ওল মণিপুর দি পি সী কমপ্লিটেদ রি-রিক্রুটমেন্ট কেন্দিদেটস ওফ পুলিস কন্সটেবল মেল ২০১৬ (কে জয়ন্ত) বেটচনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা জে এ সী অসিগী প্রসিদেন্ট কৈশাম রুপচন্দ্রনা হায়খি, মণিপুর পুলিস কন্সটেবল লৌবগী ফল অসি কুমজা ২০১৩ গী রিক্রুটমেন্ট খক্তদা য়ুম্ফম ওইরগা লাউথোকপীগনু। কুমজা ২০১৬ কী রি-রিক্রুটমেন্ট অসিগী মতাংদা করিগুম্বা অমত্তা খন্নবীদনা ককথৎপীখ্রে। হায়রিবা দি পি সী অসি করি মরমগীদমক, করিদা অশোয়বা য়াওখিবা লৈবগে। রি-রিক্রুটমেন্ট ২০১৬ অসিগী মতাংদা খন্নদ্রিবা ফাওবা ২০১৩ গী রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসকী ফল লাউথোকপীগনু। করিগুম্বা জে এ সী অসিনা ৱাকৎচরিবা ৱাফমশিং অসি লৈঙাক্লা তাবীদবা থোক্লবদি জে এ সী অসিনা ২০১৬ গী রি-রিক্রুটমেন্টদা য়াওখিবা কেন্দিদেটশিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লম্ফাংদা অমাঙ-অশোয় তৌশিন্দবা ষ্টেট ওইহন্নবগী মতাংদা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩, (ঐচ এন এস) :

কম্যুনিকেসন এন্দ কেপাসিটি দিভলপমেন্ট য়ুনিট, পি ঐচ ঈ দি মণিপুর অমদি মণিপুর ষ্টেট পঞ্চায়ট পরিষদ পোরোম্পাৎনা খুৎশম্নগা শীন্দুনা পঞ্চায়ট ভবনদা ঙরাং ওপন দিফিকেসন ফ্রী এটেন্নিং ষ্টেট হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ষ্টেট লেবেল ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কশোপ অদু হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর ষ্টেট পঞ্চায়ট পরিষদকী প্রসিদেন্ট অব্দুল লটিফনা চীফ গেষ্ট, কম্যুনিকেসন এন্দ কেপাসিটি দিভলপমেন্ট য়ুনিট, পি ঐচ ঈ দি মণিপুরগী দিরেক্টর ঐচ ইবোতোম্বীনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। রুরেল সর্কল-১ পি ঐচ ঈ দিগী এস ঈ, ঐচ বিগাধোননা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

ৱার্কশোপ অদুদা সোলিদ এন্দ লিক্যুইদ রিছোর্স মেনেজমেন্ট হায়বা টোপিকতা পি ঐচ ঈ দিগী এদিসনেল সী ঈ, এল স্বামিকান্তনা ফোঙদোকখিবদা, প্লাষ্টিক হায়বসি ফত্তবা নত্তে। ঐখোয়না মফম চানা হুন্দাকপা তাই। প্লাষ্টিক মৈ থাবীগনু। প্লাষ্টিক মৈ থারবদি কেন্সর লায়না থোকহল্লি। প্লাষ্টিক্কী মহুৎতা চেখাউ ওইনা শীজিন্নবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট পঞ্চায়ট পরিষদকী জেনরেল সেক্রেটরি নোংমাইথেম যাদুমনিনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিগী প্রোগ্রাম অসি ও দি এফকী মতাংদা পাঙথোকপনি। ও দি এফ অসি করম্না ওইগদগে অমদি মসিগী কান্নবা করিনো হায়বগী মতাংদা প্রধানশিংদা এৱ্যেরনেস পীননবা শীনবনি। ও দি এফ ওইরবশিংগী মনুংদা উচেক্কোন নোংপোক গ্রাম পঞ্চায়ট ইম্ফাল ইষ্টসু য়াওখ্রে। ওল ইন্দিয়াগী গাইদলাইনদা ও দি এফ ওইনবগীদমক জি পিশিংদা অসিগুম্বা থবক অসি পায়খৎনবা প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু মখা তাখি।

অথুবা মতমদা থবক লৌখৎপীয়ু : জে সী ঈ এ

ইম্ফাল, জুন ০৩, (ঐচ এন এস) : এদেদ কোলেজ অমা ওইনা লৈরেম্বদগী ষ্টেট কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুংইন্না লৈঙাক্কী মপুং ফাবা মহৈ-লোয়শঙ ওইনা লৌশিনখ্রবা জিরি কোলেজগী মতাংদা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং অথুবা মতমদা লৌখৎপীয়ু হায়না কোলেজ অসিগী ইমপ্লোয়ীজ এসোসিএসন্না তকশিল্লক্লি।

জিরি কোলেজ ইমপ্লোয়ীজ এসোসিএসন (জে সী ঈ এ) গী সেক্রেটরি এল জামিনিকান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মতম অমদা কোলেজ অসিগী লৈজরম্বা ফন্দ খুদিংমক লৈঙাক্তা লোইনা পীশিনখ্রবনিনা হৌজিক্তি চোক, দষ্টর, মার্কর অমদি ওফিসকী চে-চাং লৈবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরে। মসিনা মরম ওইরগা একাদেমিক এটমোস্ফিয়ারদা অকায়বা থোকহল্লে। পুন্নমক অসিগী মথক্তা ইমপ্লোয়ীশিংনা তোলোপ ফংলক্তবা থা ১৮ মপুং ফারক্লে।

অথুবা মতমদা জিরিবামগী মীয়াম অমসুং মহৈরোয়শিংগীদমক খল্লগা ফাইল প্রোসেস লোইশিনবীদুনা জিরি কোলেজবু লৈঙাক্কী মপুং ফাবা মহৈ-লোয়শঙ অমা ওইহনবীয়ু হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩, (ঐচ এন এস) : রেদ সিল্ড দিভিজনগী ফিল্ড হোস্পিটালনা শীন্দুনা লৈমখোংগী মনাক্তা লৈবা তোঙান-তোঙানবা খুল ৬ তা মে ২৩ দগী জুন ২ ফাওবা মেদিকেল কেম্পশিং পাঙথোকখ্রে হায়না পি আই বি দিফেন্স ৱিংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, মেদিকেল টিমশিং অদুনা খুল ৪ রোমগী অনাবা ৮০০ লোম লায়েংখি। খুলশিং অদুদি, লৈমখোং বজার, প্রেমনগর, খুনকু কুকি অমদি পি মোল্ডিংনি। কেম্পশিং অসি পাঙথোকপদা মেদিকেল টিমশিংনা লেম্না লায়েংখি। দেন্টেল ট্রিটমেন্ট অমদি ব্লদ ইনভেষ্টিগেসনসু তৌখি। তোঙান-তোঙানবা সীজনশিংদা লাকপা য়াবা লায়নাশিং অমদি মসিদগী ঙাকথোক্লবগী মতাংদা এৱ্যেরনেস কয়াসু পীখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

কাঙলুপ খুদিংমক্কী য়েংলগা বিল শেম্নবা তকশিল্লক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৩, (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্লা য়েলহৌমীশিং কন্নবগী মতাংদা শেমগদৌরিবা বিলদা ষ্টেট অসিগী য়েলহৌমী পুন্নমক য়াওহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না দিল্লি এসোসিএসন ওফ মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস (দি এ এম এম এস) না ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মীতোপ চঙলকপা থিংবগা লোয়ননা য়েলহৌমী কন্নবগী মতাংদা লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা থৌরাং অসি পুক্লিং থৌগৎনিংঙাইনি। মণিপুরদা খুন্দারিবা পাঙল ফুরুপকী মীওইশিংসু ইন্নর লাইন পার্মিট (আই এল পি)গী খোঙজংদা হেক হৌবদগী শরুক য়াদুনা লাকখি। থেংখাং কয়ারত্তা ষ্টেট লৈঙাক্লা পাঙল ফুরুপকী মীওইশিং নাথৈদুনা থম্বগী মওং অমা ময়েক শেংনা উবা ফংই। হন্দক্কী মতাং অসিদা লৈঙাক্লা মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী য়েংলগা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

B.Sc.
- Agriculture
- Horticulture,
- Biotechnology

BBA
(Bachelor of Business Administration)

STS
(Short-term Skill Development)
- Plant Micro Propagation Techniques,
- Medicinal Plant

CCFL
(Certificate Courses in Foreign language)
- Japanese
- Chinese
- Korean
- Thai
- Myanmarese

SAIRAM
MANIPUR
South Asian Institute of Rural & Agricultural Management
Affiliated to Manipur University (A Central University)
Langjing Achouba, Imphal West, Manipur - 795113
ADMISSION OPEN 2018-19
+91-8258801014, 7085124378
www.sairam.org.in
email: yrs001@gmail.com
HL-P/5100/2,4,6

/ADMISSION NOTICE

RamaKrishna Mission Vidyalaya, Agartala অমসুং Delhi Public School, Faridabad হায়রিবা CBSE School অনী অসিদা Class XI গী Science, Arts অমদি Commerce Stream শিংদা Admission তৌবিনীংবা Students শিংনা অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিরকপা য়াগনি।

Please Contact : Maibam Roshni Kumar
Lairikyengbam Leikai, Salan Leirak
9856210245, 7005138304
HL-P/1505/2-5

/লৌফম অমা য়োঞ্জরি

মোইদাংপোক্তা নেসনল হায়ৱেগা তাইননা লৈবা লৌফম অমা য়োঞ্জরি। পাক চাউবনা সঙম ৩.৫নি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবিরকউ।

Contact :- 8837214653
HL-P/1522/3,4,5

SMART HOSTEL
SINGJAMEI SUPER MARKET
(Seperated Boys & Girls)
ADMISSION OPEN
(CLASS VI TO XII & COLLEGE)

FACILITIES
- 24/7 Power Supply
- 24/7 Hygienic Water
- Homely Care Food
- Auto, Magic, Bus Parking Front of Hostel
- Spoken English & Coaching All Subjects
- Urgent Medical Facilities Front of Hostel
- Van Service available.

FREE ADMISSION
NO DEPOSITED
₹ 3500 p/m only

40 BEDS ONLY

HL-P/1303/15/5-12/7 (Alt.)
Contact No. ☎ 8730999192

/PERMANENT JOB IN IMPHAL

ওফিসকী অহাঙবা ফম ৫১ গীদমক তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা Class X, XII পাস তৌরবা অমদি Graduation তল্লিবা মীওই (নুপা/নুপী) শিংদগী থবক্কী দরখাষ্ট কৌজরি। মশাগী চহী ৩০ গী মনুংদা লৈবা থবক তৌবীবা পাম্বা মীওইশিংনা এপ্লাই তৌবীরবা য়াগনি।

পোষ্টকী মতুং ইন্না থাগী ইনকম লুপা ১০,০০০ দগী লুপা ৩০,০০০ ফাওবগী মনুংদা লৈগনি। দিপোজিট লৈজরোই অমদি অথাপ্পা মীওইশিংগীদমক লৈফম-চাফমগী খুদোংচাবসু লৈগনি। এপ্লাই তৌবা পাম্বীবা মীওইশিংনা অথুবা মতমদা ইশা-ইশাগী বাইও-দাটাগা লোয়ননা ওফিসতা তান্নবীয়ু।

Contact : ☎ 8014170652, 9774986962 & 8414834122
HL-P/1466/31,4,6 June

biophone
BIOPHONE
EDUCATIONAL SERVICES
Wangkhei Ayangpalli Road (Laishram Leikai), Imphal
ADMISSION OPENS
ASCENT PMT COURSE FOR NEET, 2019
PHYSICS. CHEMISTRY. BOTANY. ZOOLOGY.
Form Available from 21/05/2018
Class begins from 21/06/2018
Do not come for the sake of Tuition Culture. Come to Learn.
IF YOU WANT TO BE A DOCTOR, LET US HELP YOU.
FOR DETAILS, VISIT BIOPHONE (SEARCH IN GOOGLE MAP)
WANGKHEI AYANGPALLI ROAD (LAISHRAM LEIKAI), NEAR EDEN PUBLIC SCHOOL
HL-B/4642/23/5-6/6

STUDY MBBS/MD IN ABROAD

BANGLADESH: PRIME MEDICAL COLLEGE, RANGPUR COMMUNITY MEDICAL COLLEGE, TMSS MEDICAL COLLEGE, SYLHET WOMEN'S MEDICAL
KAZAKHSTAN: SEMEY STATE MEDICAL UNIVERSITY, ASTANA MEDICAL UNIVERSITY, NORTH KAZAKH STATE UNIVERSITY
PHILIPPINES: - AMA SCHOOL OF MEDICINES, UNIVERSITY OF PERPETUAL HELP SYSTEM,
CHINA: HENAN UNIVERSITY TCM, HENAN UNIVERSITY OF SCIENCE AND TECHNOLOGY, ZHENGZHOU, KUNMING, QIQICHAR MEDICAL UNIVERSITY AND YUNAN UNIVERSITY OF TCM.
RUSSIA : ALTAI STATE MEDICAL UNIVERSITY, RUSSIA.

PLZ Contact: - Haji Salam , JR International Education Consultant
Near Cambridge School, Old Campus Imphal, East, Manipur.
Contact No. : 8794084294, 9615706900, 8415930785, 8974084294,
HL-P/1223/6/5-5/6